# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 06, 2019 **PAGE 7**




আই লীগকী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা রেষ্ট বেঙ্গলগী মোহন বগানদা শান্নবগীদমক লৌশিনখ্রবা স্পেনগী দিফেন্দর ফ্রান মোরান্টে

সাউথ অফ্রিকাগা শান্নখিবা মেটচতা আওট ওইদনা রন ১২২ লৌদুনা মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা



# রোহিট শর্ম্মগী আওট ওইদনা লৌখিবা রন ১২২না ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে



*সাউথমটন, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা মেটচতা রোহিট শর্ম্মনা আওট ওইদনা লৌখিবা রন ১২২ না মপুং ওইরগা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা মেটচ অসিগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয়না হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২২৭ লৌবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। ওপনর হাসিম আমলা শুপ্পগী রন ৬ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর ক্বিন্টন দি কোকসু রন ১০ দা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিস অমদি রাজি ভান দর দুসেননা মখোয়গী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। দুসেন রন ২২ দা আওট ওইখি। কেপ্টেন প্লেসিসসু রন ৩৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা সাউথ অফ্রিকাগী অপুনবা রন ৮০ দা ৱিকেট ৪ আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন দেবিদ মিল্লরসু রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৭শুবা বেটসমেন ফেহলুকৱায়োগী রন ৩৪, ৮শুবা বেটসমেন খৃস মোরিসকী রন ৪২ অমদি ৯শুবা বেটসমেন কাগিসো রাবাদানা আওট ওইদনা লৌরম্বা রন ৩১ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লর য়ুজবেন্দ্র চাহলনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমখি। ভুবনেশ্বর কুমার অমদি জস্প্রিট বুমরাহসু ৱিকেট ২ / ২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ২২৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৪৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৪ খক আওট ওইরগা রন ২৩০ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন রন ৮ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু রন ১৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১৪৪ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১৩ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১২২ লৌরম্বা অসিনা মেটচ অসি ৱিকেট ৬ তা মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অসিদা লোকেস রাহুলগী রন ২৬ অমদি এম এস ধোনিগী রন ৩৪ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

# ইনফান্টিনো অনীরকশুবা ওইনা ফিফাগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

*পেরিস, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা ঙসি ফমখিবা কোংগ্রেস ওফ ৱার্ল্ড ফুটবোলগী অপুনবা মীফম্না ফিফাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জিয়ান্নি ইনফান্টিনোবু অনীশুবা টার্মগী ওইনা কুমজা ২০২৩ ফাওবগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।



ফিফাগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেপ ব্লাটর ফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা জিয়ান্নি ইনফান্টিনোনা কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারী থাদগী ফিফাগী প্রসিদেন্টকী চার্জ পুবা হৌরকখিবনি। অদুবু ঙসি পাঙথোকখিবা ফিফাগী কোংগ্রেস অদুদা মহাকপু কুমজা ২০২৩ ফাওবা মখা তানা ফম অসি পুনবা য়েৎনবা লৈতনা খনখি।

নীংশিংবা য়াই মমাঙদা ইনফান্টিনোনা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি অমা ওইরিবা ফিফাবু থাজবগা লোয়ননা আর্থ মান্নহনবা হায়বা ওর্গনাইজেসন ওইনা শেমদোক্নবা ফেদরেসন অসিগী মেম্বর ২১১ গী মহুৎ শিন্দুনা মহাক্লা ফোঙদোকখিবা লৈখি। ৱাফম অসি ইনফান্টিনোনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা হৌগদৌরিবা ৱুমেন্স ফিফা ৱার্ল্ড কপকী মাঙওইননা ফোঙদোকখিবনি।

ইনফান্টিনোনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফিফাবু অনৌবা ফিফাগী মশক অমা ওইহনবা ঙম্বদা মতেং পাঙলকখিবশিংবু মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা য়ু এফ এফ এগী সেক্রেটরী জেনরেল ওইরম্বা স্বিজ-ইটালিয়ান লোয়রনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদি কনানসু ফত্তবা ঙাংনদ্রে, কনানসু মচেৎ তারবা ফিফাবু অমুক শেম্নবা হায়নদ্রে, স্কান্দলগী মরমদা ঙাঙনদ্রে, করপ্সনগী মরমদা হায়নদ্রে, ঐখোয়না ফুটবোলগী মরমদা ঙাঙনদ্রে হায়খি।

চহী ৩গা থা ৪ অসিগী মনুং অসিদা ওর্গনাইজেসন অসি হু চেল্লবা, ক্রিমিনেলগুম ওইরম্বদগী লাপথোরক্তুনা ফুটবোলবু শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং চাওখৎনবা শেন্নজবা ওর্গনাইজেসন হায়বদু ওইরে হায়খি।

পনবা য়াবদি ২০২২ দা কাটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা হান্নগী টিমদগী হেনগৎনা টিম ৩২ দগী টিম ৪৮ ফাওবা ওইহন্নবগী মতাংদা চরাংনবা অমদি য়েৎনবা লৈখিবনি।

অদুবু জিয়ান্নী ইনফান্টিনোনা কুমজা ২০২১ দগী হৌরগা ক্লব ৱার্ল্ড কপতা পুন্না টিম ২৪ ওইনবা হোৎনবা লৈখ্রে। পনবা য়াই ক্লব ৱার্ল্ড কপকী মমাঙগী ইদিসনদা শুপ্পগী ক্লব ৭ না লম্বা তৌনখিবনি।

# ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমদি সমির ভর্ম ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*সিদনি, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমদি সমির ভর্ম অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী চোইরুনিসাবু ষ্ট্রেট গেম ২১-১৪, ২১-৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ওষ্ট্রেলিয়াগী চেনবু ২১-১৯, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। ৪শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা হোংকোংগী দেংবু ২১-১৩, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা জপানগী আয়া মিনেবু ষ্ট্রেট গেম ২১-৯, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লি জি জিয়াবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৫, ১৬-২১, ২১-১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙম্বগা লোয়ননা সুদিরমান কপ্তা মায়থিবা পীরম্বা অদু লমন খুন্থা ঙমখি।

মমাঙদা সিঙ্গাপোর ওপনগী চেম্পিয়ন ওইরম্লবা অদুগা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা স্বিজ ওপনদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিয়ুনবু ২১-১৬, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কে প্রনোই ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী লিন দানগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনী ১৮-২১, ১৯-২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ওষ্ট্রেলিয়াগী দি ফানবু ২১-১১, ২১-৭ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। অহুমশুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিসু অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র মনু অত্রি অমদি ভি সুমিত রেদ্দিবু ২১-১২, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

# নোংনা মরম ওইরগা য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা মেটচ অমত্তা শান্নখিদ্রে

*পেরিস, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ঙসি য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা শান্নগদবা মেটচশিং নোংনা মরম ওইরগা অমত্তা শান্নখিদ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী মার্কেটা ভোন্দ্রৌসোভানা ৩১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু ষ্ট্রেট সেট ৭-৬(৭-১), ৭-৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা ২৬শুবা সিদেদ বৃটেনগী জোহানা কোন্টাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী পেয়র জেরেমী চার্দি অমদি ফেব্রিচ মার্টিননা ১১শুবা সিদেদ য়ুএসকী রজিব রাম অমদি বৃটেনগী জো সালিসবুরিবু ৬-৪, ৭-৬(৮-৬) তা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ৩শুবা সিদেদ কলম্বীয়াগী পেয়র সেবাষ্টিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফারাহগা লম্বা তৌনরগনি।

# কিংস কপ্তা ইন্দিয়া কুরাকাওগী মখূত্তা গোল ১-৩ দা মায়থিখ্রে

*বুরিরাম, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি বুরিরামদা লৈবাক ৪ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী কিংস কপকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম কুরাকাওগী মখূত্তা পাঞ্জল ১-৩ দা মায়থিখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী কুরাকাওগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি। মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চখবা ঙম্লিবা কুরাকাওগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লুইস বোনেভাসিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোখখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা কুরাকাওগী শান্নরোই ইলসন হুইনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী নৌনা কোচ ওইরিবা ইগোর ষ্টিমেকনা টিম অসিবু ৪-২-৩-১ গী ফোরমেটতা শান্নহন্দুনা সুনিল ছেত্রিবু এটেক তৌবগী থৌদাংদা লুচিংহনখি। ঙসি ষ্টার্টিং এলভেনদা রাহুল বেকে, সাহাল অব্দুল সামাদ অমদি ব্রোন্দোন ফর্নান্দেজ অহানবা ওইনা শরুক য়াহনখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা কুরাকাওগী শান্নরোই জোহান বাকুৱানানা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু কুরাকাওগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী শোখখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী কিংস কপকী অহৌবা মেটচ অদু কুরাকাওনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

# এফ আই ঐচ সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়ানা রুশিয়াগা লম্বা তৌনগনি

*ভুবনেশ্বর, জুন ০৫(এজেন্সি)ঃ*
উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা হয়েংদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা এফ আই ঐচ সেরিজ ফাইনেলস ২০১৯ গী অহৌবা নুমিৎকী অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা রুশিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়ানা পুল 'এ' দা রুশিয়া, পোলেন্দ অমদি উজবেকিষ্টানগা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়ানা হয়েং রুশিয়াগা অহানবা মেটচ ওইনা লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা মেটচনা থা অসিগী ৭ তা পোলেন্দগা লম্বা তৌনরবা মতুং পুলগী অরোইবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১০দা উজবেকিষ্টানগা লম্বা তৌনগনি।

পুল অমদগী মকোক থোংবা টিম অদুনা সেমি ফাইনেল শান্নবা ফংগদৌরি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাহৌরবা টিম অনীনা ক্রোস ওভর শান্নদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোং চাবা ফংগনি।

ভুবনেশ্বরগী ইদিসন অসিগী পুল 'বি' দা জপান, মেক্সিকো, সাউথ অফ্রিকা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লম্বা তৌনদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি।

পুল অসিগী হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ১৮১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | I | S | C | | E | L | L | A | | S | T | A | L | L |
| O | N | T | O | | S | O | I | L | | A | R | G | U | E |
| D | E | E | R | | T | A | N | T | A | M | O | U | N | T |
| O | P | E | N | | A | N | D | E | S | | T | A | G | S |
| S | T | R | E | E | T | | A | R | I | A | | | | |
| | | | A | P | E | S | | | A | R | I | S | E | S |
| H | A | D | | I | S | L | E | S | | A | L | E | R | T |
| E | V | E | N | T | | O | R | E | | B | L | A | R | E |
| R | O | M | E | O | | B | A | M | B | I | | T | S | P |
| E | N | I | G | M | A | | | I | R | A | N | | | |
| | | | | E | C | R | U | | E | N | A | B | L | E |
| O | K | R | A | | H | E | N | C | E | | P | L | A | N |
| U | N | E | X | P | E | C | T | E | D | | L | A | R | D |
| R | O | D | E | O | | A | I | D | E | | E | D | G | E |
| S | T | O | L | E | | P | E | E | R | | S | E | E | D |


No.104/1/2019-DHS:
GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION
Imphal, the 4th June, 2019

In pursuance of the Secretariat: Health Department letter No.9/4/2015-M(MBBS/BDS): dated 24th May, 2019, it is hereby notified to all the NEET-UG, 2019 qualified and eligible candidates of Manipur that the application form for selection and nomination of candidates for MBBS/BDS/BASLP courses, 2019 will be available from the Medical Directorate, Lamphelpat. The merit list for the State of Manipur will be notified later.

**The Schedule of activities are as follows :**

| | | |
|---|---|---|
| a). Issue of Application Forms: | 07.06.2019 to 14.06.2019 | **(10.30 a.m. to 4 p.m.)** |
| b). Submission of Application Forms: on or before 20th June, 2019 | | **(10.30 a.m. to 4 p.m.)** |
| c). 1st Counselling: | 2nd July, 2019 | **(10.00 a.m. onwards)** |
| d). 2nd Counselling: | 24th July, 2019 | **(10.00 a.m. onwards)** |
| **e).** Mop up round counselling (if seat is available) | 07/08/2019 | **(10.00 a.m. onwards)** |
| f). Venue of counselling: | Main Auditorium Hall, JNIMS, Porompat. | |
| g). Cost of Application Forms: | Rs.650/- for Gen/OBC and Rs.400/- for ST/SC | |

**Further information of the counselling process will be uploaded on our official website: www.manipurhealthdirectorate.in or can be had from this Directorate or Notice Board**

It is further informed that :
i) Any eligible candidates or his/her authorized attendant who are absent on the first day of counselling shall not be allowed at attend the subsequent counselling/s.
ii) Any eligible candidates or his/her authorized attendant should produce the original certificates at the time of counselling failing which his/her right to get seat will be forfeited and chance will be given to nest eligible candidates.

Sd/-
(Dr. K.Rajo Singh)
Director of Health Services, Manipur

SL/4887/6&7



ISOR
INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

**Admission Open**
**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

ISOR - Educating the Minds to start-up